# অহানবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫-২৬ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওর্গনাইজিং কম্মিটি শেমখ্রে

**থৌবাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশন (এম ও এ)গী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশননা শীন্দুনা মথং থাগী ২৪দগী হৌরগা ২৮ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দিসিপ্লিন ২১দা চথুগদবা ইহান হানবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫-২৬ মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক অনৌবা ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমা শেমখ্রে।



থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস কনফরেন্স হোলদা দি সী হানা কামৈনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা অনৌবা কম্মিটি শেম্বগী মীফম অদুদা সিনিয়র এস পি থৌবাল য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস এসোসিএশনগী লুচিংবশিং, সিনিয়র স্পোর্টস সিম্পেথাইজরশিং, সোসল ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং, তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসন/ওর্গনাইজেসনশিংগী মকোকশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা লৈরিবা দি এল ও কয়ানা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দি সী হানা কামৈবু নৌনা শেমখ্রবা ওর্গনাইজিং কম্মিটি অদুগী চ্যেরমেন ওইনা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এম মনিবু ৱার্কিং চ্যেরমেন, ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইনা এম মধুসুদোন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মেম্বরশিং য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

কম্মিটি অসিগী ওর্গনাইজিং চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রবা দি সী থৌবাল হানা কামৈ অমদি ভাইস চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সিনিয়র এস পি সিবানন্দ সুরভে অনীনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথুগদৌরিবা অহানবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবালগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন ২১দা নুপা ৮৭৫ অমদি নুপীমচা ৪৭৭ পুন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নরোয় ১৩৫২না শুরক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিবু মায় পাক্লবা হোৎনবদা, লমদম অসিদা স্পোর্টসকী খোঙজেল য়াঙশিন্নবা অমসুং শান্নরোয় কয়া শেমগৎনবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীপুম খুদিংমক্না মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়নসু কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# কাংখুৎ ২১না শরুক য়াদুনা আর কে লালা সনা মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

**জিরিবাম, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএশন জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্ম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা জিরিবাম, কছার অমদি হৈলাকান্দিদগী লাকখিবা কাংখুৎ ২১না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ১৫ রক শুবা লেট আর কে লালা সনা মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫ এক্স এম এল এ অশাংবম বিরেননা অথোয়বা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।



ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা এল ই সী (এ) বাবুপড়া অমসুং য়াওল (সী) চম্পানগরগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মদুদা এল ই সী (এ) বাবুপড়ানা পাঞ্জল ১৫-৮দা য়াওল (সী) চম্পানগরবু মায়থীবা পীখ্রে। হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা এম এন সী (এ) অমসুং এল ই সী (বি)গী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এল রঞ্জিৎ কে আরনা অম্পয়র, ঐচ ইনাওপিশকনা স্কোরর অদুগা ও বিসম্বোরনা রেকোর্দর ওইখি। হৌদোকপা নুমিৎকী মেটচ অদুগী ওইনা এল ই সী (এ) বাবুপড়ানা টোস ঙমদুনা কাং হান্না কাপখি। অদুগা য়াওল (সী) চম্পানগরনা মায়কৈ খন্দুনা কাং শান্নবা হৌখি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল ই সী (এ) বাবুপড়ানা য়াওল (সী) চম্পানগরদগী পাঞ্জল ৮-৬তা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। হাফ মতুং কাংখুৎ অনীমক্না অকনবা মওংদা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয়গী হৈশিংবশিং উথোক্তুনা শান্নখি। অদুবু অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবা এল ই সী (এ) বাবুপড়ানা পাঞ্জল ১৫-৮দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ঙসি কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এক্স এম এল এ অশাংবম বিরেন, দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএশন জিরিবামগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মঙ্গি মৈতৈ, ডোন্নর আর কে নোবিনসনা, চ্যেরমেন এদমিনিষ্ট্রেটিব কম্মিটি দিবোং গ্রাম পঞ্চায়ট জিরিবামনা মথংশিংনা অথোয়বা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। মীথুংলেন ওইখিবশিংনা কাং মশান্নবু য়োকখৎতুনা থম্নবগী অনীংবা অপাম্বশিং ফোঙদোক্লখি।

টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী চম্পানগরদা লৈবা আর কে সবেন ব্রদর্সনা মখোয়গী লৈখিদ্রবা মপাবুং আর কে লালা সনাগী মীংদা কৎচবা কাং টুর্নামেন্টনি।

# ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ৱিমেন্স টিমনা নেপালবু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে



**থিমফু, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** এস এ এফ এফ অন্দর-১৭ ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ৱিমেন্স টিমনা নেপালবু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

থিমফুদা লৈবা চাংলিমিথাং ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ইন্দিয়াগী চহী নৌরিবী শান্নরোয়শিং অসিনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নেপালদগী পাঞ্জল ৬-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৬, ৪১ শুবা মিনটতা অভিস্তা বাসনেটনা অনী, ২৫ শুবা মিনটতা নিরাজ চনু লোংজমনা অমা, ৩৭ শুবা মিনটতা অনুস্কা কুমারিনা অমা অদুগা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা জুলান নোংমাইথেমনা অমা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫৬ অমসুং ৬২ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নিরাজ চনু অমদি অনুস্কা কুমারিনা মখা তানা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। অদুবু নেপালগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা লাকচনা পাঞ্জল ৭-০দা মায় পাকখিবনি।

# লা লিগাঃ রিয়ল মাদ্রিদনা ওসাসুনা মায়থীবা পীখ্রে



**মাদ্রিদ, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** স্পেনদা হৌজিক চথুরিবা লা লিগাগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়ল মাদ্রিদনা ওসাসুনা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা রিয়ল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদগী বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রিয়ল মাদ্রিদনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৭১ ওইখিবা ওসাসুনানা বোল পায়বগী চাং চাদা ২৯ ওইখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫১ শুবা মিনটতা রিয়ল মাদ্রিদকী কিলিয়ন এম্বাপেনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু রিয়ল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

# হিরো এসিয়া কপতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া টিমগী স্কৱাদ লাউথোকখ্রে

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** ইন্দিয়ানা য়ুম্ফ ওইদুনা বিহারগী রাজগির হোক্কি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৯দগী হৌরগা মথং থাগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো মেন্স এসিয়া কপতা ইন্দিয়া টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক শান্নরোয় ১৮না শাবা স্কৱাদ ঙসি হোক্কি ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।



হোক্কি ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রবা স্কৱাদতা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংদি গোল কিপরশিংদা ক্রিসন বি পাথক অমসুং সুরজ করকেরানি। দিফেন্দরদা য়াওরিবা সুমিট, জর্মনপ্রিট সিংহ, সঞ্জয়, হর্মনপ্রিট সিংহ, অমিট রুহিদাস অমসুং য়ুবরাজনি। মিদ ফিল্ডরদা য়াওরিবশিংনা রাজেন্দ্র সিংহ, রাজকুমার পাল, হরদিক সিংহ, মনপ্রিট সিংহ অমসুং ভিবেক সাগর প্রসাদনি অদুগা ফোর্ৱার্দতা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংনা মন্দিপ সিংহ, সিলানদ লক্রা, অভিসেক, সুগজিৎ সিংহ অমসুং দিলপ্রিট সিংহনি।

ইন্দিয়া টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয়শিং খনখ্রবা মতুং হেদ কোচ ক্রেগ ফুল্টননা হায়, হন্দক্কী স্কৱাদতা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অসি থোইদোক হেন্দোক্না মশান্না অসিগী মতাংদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। লোয়নননা টুর্নামেন্ট অসি ঐখোয়না শোয়দনা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। এসিয়া কপ অসি ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফিকেসনগী ওইনা মথৌ তাবা অমদি মরুওইবা খোঙফমশিংগী মনুংদা অমনি।

# ও দি আই ৱর্ল্ড কপ ২০২৫গী স্কৱাদতা সফালি য়াওরক্তে

**মুম্বাই, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** ৱিমেন্স ও দি আই ৱর্ল্ড কপ ২০২৫দা শরুক য়াগদবা মীওই ১৫না শাবা ইন্দিয়ান স্কৱাদকী লিষ্ট লাউথোকপদা সফালি বর্মা য়াওরক্তে।




হৌখিবা কুমজা ২০২২ অমসুং ২০২৫দা ইন্দিয়ানা অনৌবা শান্নরোয় কয়া স্কৱাদতা হাপ্তুনা লাক্লি। মীওই ১৫না শাবা স্কৱাদ লাউথোকখ্রবা মতুং সিলেক্সন কম্মিটিগী চ্যেরপার্সন মিতু দেবিদনা হায়, ঙসি লাউথোকখ্রবা স্কৱাদতা য়াওরিবা শান্নরোয় অয়াম্বা হন্দক্তা ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়াওখিবা ঙাক্তনি। ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেটচশিংদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিং অদুগী মনুংদা কা হেন্না অহোঙবা লৈতে। হৌজিক হৌজিক সফালি বর্মা ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা লৈবনা মরম ওইরগা ও দি আই ৱর্ল্ড কপগী স্কৱাদ লাউথোকপদা মমিং য়াওরকখিদবনি। অদুমওইনমক মতম খরা শোকপদগী পোখাদুনা লৈরুরবা বোল্লর রেনুকা ঠাকুরদি ইন্দিয়া টিমদা অমুক হল্লকখ্রে।

অমরোমদা, ও দি আই ৱর্ল্ড কপ ২০২৫দা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিবু লুচিংলিবী হর্মনপ্রিট কোরনা ফোঙদোকখিবদা সফালি বর্মা ঐখোয়গী ওইনা য়াম্না মরুওইবা শান্নরোয় অমনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক মহাক ওষ্ট্রেলিয়া সিরিজদগী লৌথোক্তুনা ৱর্ল্ড কপতা অমুক য়াওহনবা হায়বসি অফবা খোঙথাং অমদি নত্তে। মরম অদুনা মহাক সিলেক্সন কম্মিটিনা স্কৱাদতা য়াওহল্লকখিবদবনি।

অমরোমদা, মতম খরা লেপ্লুরবা মতুং ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী বোল্লর রেনুকা ঠাকুর টিমদা অমুক হল্লকখিবা অসি ঐখোয়গী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইবা তাঙ্কক অমনি। সফালি বর্মাগী মহুৎ রেনুকা ঠাকুরনা শোয়দনা শিনবা ঙম্লগনি। রেনুকা ঠাকুর ইন্দিয়া টিমগী ওইনা হান্নদগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইদুনা লাক্লি। হৌজিকসু মহাক টিম অসিগী ওইনা মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরি। মহাক টিম অসিদা অমুক য়াওরকখিবনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী টিমগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎহনবা ঙম্লগনি হায়রি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1569

**Ahmed Alaa Ahmed (2223) - FM M. Fadi (2244)**
**ch-Africa 2025 Kerdasa EGY, 2025.05.20**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.d4 Nf6 | 3.e3 e6 | 4.c4 Be7 | 5.a3 O-O |
| 6.Nbd2 b6 | 7.b3 Bb7 | 8.Bb2 Nbd7 | 9.Be2 Ne4 | 10.O-O Bd6 |
| 11.Nxe4 dxe4 | 12.Ne5 Bxe5 | 13.dxe5 Qe7 | 14.b4 Rad8 | 15.Qc2 Qg5 |
| 16.Qc3 Rfe8 | 17.Rad1 Nf8 | 18.Rxd8 Rxd8 | 19.Rd1 Rd3 | 20.Rxd3 exd3 |
| 21.Bf1 Be4 | 22.Qd4 Qg6 | 23.Bc3 h5 | 24.Kh1 c5 | 25.bxc5 bxc5 |
| 26.Qxc5... | | | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1568 Solution :**

**25. Qxh7+** *The white queen decoys Black's king.* **Kxh7**
**26.Rh3+ Kg6**
*26...Qh4 27.Rxh4+ Kg8 28.Ne7#*
*26...Kg8 27.Ne7#*
**27. Ne7#**
**1-0**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com